# পাকিস্তানগী সাউদর্ন হিথাংফম সিটি করাচিদা ট্রেন থেঙ্গাইনবদা মীওই ১৯ শিখ্রে, ৫০ শোকখ্রে



করাচি, নভেম্বর ০৩ :
শগোলশেল নুমিৎতা পাকিস্তানগী সাউদর্ন হিথাংফম সিটি করাচিদা পেসেঞ্জর ট্রেন অমনা খামদুনা লৈবা ট্রেন অমদা থোমজিনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৯ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৫০ না অশোক-অপন নংখ্রে। মসি থা অনীগী মনুংদা থোকপা পাকিস্তানগী অনীশুবা অচৌবা ট্রেন এক্সিদেন্টনি।

‘এক্সিদেন্ট অদু অয়ুক পুং ৭.১৮ তাবদা করাচিগী গদ্দাফি টাউনগী মনুং চনবা লনধি এরিয়াদা থোকখিবনি। মদুদা জুমজা গোথ ট্রেন ষ্টেসনদা জকারিয়া এক্সপ্রেসকা খামদুনা লৈবা ফরীদ এক্সপ্রেসকা থেঙ্গাইনখি। থেঙ্গাইনবা অদুদা ফরীদ এক্সপ্রেসকী বোগি অনী অমসুং জকারিয়া এক্সপ্রেসকী বোগি অমা মপুং ফানা মাঙ-তাকখ্রে হায়রি।

টি ভি ফুটেজনা মশুপ মশুপ্লবা অমসুং মথক-মখা ওল্লবা কেরিয়েজশিং উৎখি অমসুং লোকেল মিদিয়ানা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অকায়-অতোই মরক্তগী মী কন্নবা হোৎনবগী মরমদা পাউদমখি।

ফরীদ এক্সপ্রেস লাহোরদগী করাচি তম্না চেল্লকখিবনি, অদুগা জকারিয়া এক্সপ্রেসনা সুল্টান্দগী লাকখিবনি।

অহানবগী ইনভেষ্টিগেসন মতুং ইন্না, জকারিয়া এক্সপ্রেসকী ড্রাইভরনা সিগনেল থৌশাখিদে হায়না জিও ন্যুজনা পাউদমখি। য়ামদ্রবদা মীওই ১৯ এক্সিদেন্ট অদুদা শিখ্রে হায়না রেলৱে মিনিষ্টর খৱাজা সাদ রাফিকনা হায়খি।

অশোকপা মীওই ৫০ রোম জিন্নাহ হোস্পিটালদা পুখৎলকখি হায়না হোস্পিটাল অদুগী ইম্মরজেন্সি দিপার্টমেন্টকী মকোক সীমি জমালিনা হায়খি।

‘অশোকপশিংগী মনুংদা মীওই কয়া হেদ ইঞ্জুরিশিং য়াওখি অমসুং মখোয় খরদি অরুবা ফীভমদা লৈ’ হায়না মহাক্না মখা তাখি। ক্রাস অদুনা ট্রাফিক জাম থোকহনখি অমসুং অশোকপশিং পুবা এম্বুলেন্সশিং ফাওবা লম্বীদা পন্দুনা লৈখি।

রেস্ক্যুগী থবকশিং মপুং ফানা লোইশিন্দ্রিফাওবা করাচিদগী লাক্কদবা ট্রেন পুম্না লেপহন্দুনা লৈহনখ্রে। এক্সিদেন্টদুদা পুন্সি কয়া মাঙখিবদুদা প্রসিদেন্ট মামনূন হুশাইন অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা এক্সিদেন্ট অদুগী মতাংদা খুদক্তা ইনক্বারি তৌনবা ওর্দর তৌখ্রে অমসুং ওথোরিটিশিংদা অশোকপশিংবু মেদিকেল ফেসিলিটিশিং ফংহন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

রেলৱে মিনিষ্টর রফিকনা শিখিবা মীওইশিংগীনা লুপা ১০,০০,০০০ অমসুং অশোকপশিংগীনা লুপা ৫,০০,০০০ লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা পঞ্জাব প্রোভিন্সতা নোংঙাল্লমদাইদা থোকখিবা এক্সিদেন্ট অমদা করাচি তম্না লাকপা পেসেঞ্জর ট্রেন অমনা সুল্টানগী মনাক্তা লেঙদনা লৈবা ফ্লাইট ট্রেন অমদা থোমজিনবদগী মীওই ৬ শিখি অমসুং অতৈ ১৫০ হেনবনা শোকখি।

# থাইলেন্দগী লালহৌবগী ঈরাং কনবা এরিয়াদা মীওই ৩ কাপ্তুনা হাৎখ্রে

বেঙ্কোক, নভেম্বর ০৩ :
থাইলেন্দগী ঈরাং কনবা খা থংবা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমদা অহিং অমদা থোকখিবা মীশি-মীনাগী ঈরাংদা মীওই অহুম নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লমদম অদুগী অনৌবা মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অমগা চাননা চথখিবা কোওর্দিনেটেদ এটেকশিংনি হায়না থাজবা এটেকশিংদা মীওই অহুমদু হাৎখিবনি হায়রি।

এটেকশিং অদু য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা হৌখি অমসুং মতুংদা নোংমৈ কাপ্পা, মৈ থাবা অমসুং বোম কয়া পোকখায়হনবগা লোয়ননা পাক শন্না চথখি। চহীচা অমগী মমাঙদা লমদম অদুবু পায়শিনখিবা থাইলেন্দবু কন্না য়ানিংদবা উৎপা বেন্নরশিং পায়হনখি। মুস্লিম রেবেলশিংনা বুধিষ্টশিংনা মেজোরিটি ওইবা ষ্টেটতগী অহেনবা ওটোনোমি তান্দুনা লাল হৌরকখিবা হৌখিবা চহী ১২ গী লালহৌবগী ঈরাংদা লৈবাক অদুগী মালেসিয়াগা লোন্নবা মখা ইথং থংবা প্রোভিন্সশিংদা অয়াম্বনা সিভিলিয়নশিং ওইদুনা মীওই ৬,৬০০ হেন্না শিখ্রে।

রেবেলশিংনা হিষ্টোরিক সুল্টানেট অমনি হায়না ক্লেম তৌখিবা প্রোভিন্স মরিগী মনুংদা অমা ওইরিবা সোংখলাদা সিক্যুরিটি গার্দ অনী কাপ্তুনা হাৎখ্রে। ‘মখোয়বু কার সো রুম অমদা কাপ্লগা হাৎখিবনি’ হায়না সোংখলা পুলিসকী লেফটনেন্ট কর্নেল পিপোপ চানাপোলনা এ এফ পিদা হায়খি। রেবেলশিংনি হায়না চিংনবা মীওইশিং অদুনা সো রুমগী মফম অদুসু মৈ থারমখি হায়না চানাপোলনা মখা তাখি।

সোংখলা, পাটানি অমসুং নরামিৱাট প্রোভিন্সশিংদা চথখিবা অতৈ নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং অমসুং বোম এটেকশিংদা মীওই কয়াসু শোকখি।

মীশি-মীনাগী ঈরাংদু ইঠনিক মালয় মুস্লিম রেবেলশিংনা থোকহনবনি হায়না ফোঙদোক্লখি। তৌইগুম্বসুং অদুগুম্বা এটেকশিংগী মতাংদা রেবেলশিং অদুনা ক্লেম তৌগন্দবগা লোয়ননা মখোয়না অকি-অখঙ পোকহনবা অমসুং লৌনম তৌববু পাম্বৈ অমা ওইনা শিজিন্নদুনা লোকেল কম্ম্যুনিটিশিংগী মরক্তা লোত্তুনা লৈ হায়রি।

এটেকশিং অদু হন্দক্তা ঈরাং কনবা লমদম অদুগী মিনিষ্টর হাপখ্রবা হান্নগী আর্মিগী চীফ উদোমদেজ সিতাবুটরনা খা থংবা লমদম অদুদা নোংমগী খোঙচৎ অমা চৎপগা চাননবা চথখিবনি হায়না লৌনরি।

# সাউদি মচা অমা সিয়াইট ক্লারিক নিমর অল-নিমর শৌগৎপগীদমক্তা চহী ১৫ মীয়াৎ তাহনখ্রে



রিয়াদ, নভেম্বর ০৩ : ওথোরিটিশিংনা হাৎখ্রবা সিয়াইট ক্লারিক নিমর অল-নিমরবু শৌগৎপগীদমক্তা রিয়াদতা লৈবা কোর্ট অমনা শগোলশেল নুমিৎতা সাউদি নেসনল অমবু চহী ১৫ জেলদা থম্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

নিমর অমসুং কিংদম অদুগী মাইনোরিটি সিয়াইট কম্ম্যুনিটিগী অতৈ মেম্বর অহুম হৌখিবা জন্যুৱারীদা নোংমতদা হাৎখিবা টেররিজমগা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌখিবা মীওই ৪৭ কী মনুংদা য়াওখি।

মীহাৎশিং অদুনা সিয়াইটশিংবু খোয়রাং খোয়শাওহনখি অমসুং সুনিশিংনা দোমিনেট তৌবা সাউদি অরাবিয়া অমসুং সিয়াইট ইরানগী মরক্তা টেন্সন লাকহনখি। নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানসু সাউদি ওথোরিটিশিংগী থৌওংদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। নিমর অসি কুমজা ২০১১ দা সিয়াইটশিংনা ২০১১ দগী হৌখিবা প্রোটেষ্টশিংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা মীশক্নি।

প্রোটেষ্টশিং অদু তুংদা কিংদম অদুদা লৈরিবা কাঙলুপশিংবু মান্নবা মিৎয়েংনা য়েংনবা তকশিনবা খোঙজং অমা ওইরকখি। অয়াম্বনা কিংদম অদুগী নোংপোকথংবা শরুক্তা লৈরিবা সিয়াইটশিংনা লমদম অদুদা ওথোরিটিশিংনা মখোয়বু মীরাইরে হায়না কমপ্লেন তৌখি।

অল-রিয়াধ পাউচেনা কনভিক্ট তৌরিবা মীওইদুগী মমিং পনখিদ্রবসু মীওই অদুনা সিয়াইটনা দোমিনেট তৌবা গল্ফকী কোষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কতিফতা পাঙথোকখিবা রেলিশিং অমসুং খোঙচৎশিংদা শরুক য়াখি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক এন্টি-ষ্টেট স্লোগান কয়া লাউখিবগীদমক অমসুং শিখিবা নিমরদা মীনুংশি উৎখিবগীদমক লোয়ননা লম্বী কয়া থিংবদা অমসুং টায়ার মৈ থাবদা মতেং পাংখিবগীদমক্তসু কনভিক্ট তৌখি হায়না পাউচে অদুনা হায়খি।

মঙোন্দা শিরিবা অতৈ মরালশিংগী মনুংদা কিংদম অদুদা এটেক কয়া চথনবা এক্সপ্লোসিভশিং শাবদা চঙবা মচাকময়ুমশিং পীবগী ৱাফম মহাক্ন য়াখি হায়বা য়াওরি।

নিমরগী হোমটাউন অৱামিয়াদা কুমজা ২০১১ দগী সিক্যুরিটিগী থৌদোকশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন থোক্লকখি।

প্রোটেষ্টশিংদু হৌরবা মতুংদা পুলিসনা ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা মীওই ২৩ গী লিষ্ট অমা ইস্যু তৌখি। লিষ্ট অদুদা য়াওবা সসপেক্ট কয়া নোংমৈ কাপ্পদা শিখ্রে নৎত্রগা ফাজিন্দুনা থমখ্রে।

# য়ু কে কোর্ট : পার্লিয়ামেন্ট য়াওদনা গভর্ণমেন্টনা ব্রেক্সিটকী প্রোসেস হৌবা য়ারোই



লন্দন, নভেম্বর ০৩ : বৃটিশ গভর্ণমেন্টদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবা খোঙথাং অমদা হায় কোর্টনা শগোলশেল নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টগী অয়াবা য়াওদনা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ু কেবু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোকহনবা য়ারোই হায়না রুলিং পীখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা রুলিং অদু পার্লিয়ামেন্টদা আপিল তৌবা য়াই। কন্সটিট্যুসনগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া লাকহনবা য়াবা কেস অমদা ক্লেমেন্ট কয়ানা ব্রেক্সিটকী প্লানশিং চেল্লেঞ্জ তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা ফোঙদোকখিবদা মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা মহাক্না ঈ য়ুগা এগজিটকী নিগোসিয়েসন হৌরগনি। মহাক্না গভর্ণমেন্টবু ইন্টরনেসনেল ত্রিটিশিংদগী ৱিঠদ্রো তৌবা য়াহনবা রোয়েল প্রিরোগেটিভ হায়না খঙনবা তোঙানবা পৱার অমা শিজিন্ননবা হোৎনরি।

ক্লেমেন্টশিংনা আর্গুমেন্ট তৌরি মদুদি, ঈ য়ুদগী তোকপনা ব্লোক অসিগী মনুংদা ফ্রী মুভমেন্ট য়াহনবা য়াওনা রাইট কয়া মাংহনগনি অমসুং তঙাই ফদনা ব্লোক অসি থাদোক্লগে হায়রবসু পার্লিয়ামেন্টগী এপ্রুভেল য়াওদনা তৌরোইদবনি।

সিনিয়র জজ অহুম্না ক্রাউনগী প্রিরোগেটিভ মখাদা ঈ য়ুদগী থোক্লবা ৱারী শানবা হৌনবা গভর্ণমেন্টগী পৱার লৈতে হায়না রুলিং পীখি।

কেস অসি জেনেরেসন অসিগী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা কন্সটিট্যুস্নেল মেট্টর অমনি হায়না লৌনৈ। কেস অসি মরু ওইবা অমনি হায়বা উৎলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা এটোর্নি জেনরেল জেরেমি রাইটপু ক্লেম অদুবু মায়োক য়ারিবা লিগেল টিমদুগী চার্জ পুহনখ্রে। রাইটনা মহাক্কী আর্গুমেন্টদা লোস্যুট অদু জুন ২৩ দা পাঙথোকখিবা ঈ য়ু থাদোক্লবগী রেফরেন্দমগী রিজল্টবু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা খুৰৌ থাংহন্নবা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমনি হায়খি।

# ‘নুমিৎ মরিনি-মখায় খুদিংগী মালেমগী ওইনা জর্নেলিষ্ট ১ হাৎলি’

পেরিস, নভেম্বর ০৩ :
নুমিৎ মরিনি মখায় খুদিংগী জর্নেলিষ্ট অমা হাৎলি হায়না য়ুনেস্কোনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রিলীজ তৌখিবা থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহী ১০ অসিদা জর্নেলিষ্ট ৮২৭ মথৌ তৌরিঙৈদা হাৎখি হায়না য়ুনেস্কোগী দিরেক্টর-জেনেরেলগী রিপোর্টনা হায়খি। জর্নেলিষ্টশিংনা শিবা নংলিবা খ্বাইদগী শাথিবা এরিয়াশিংদি সিরিয়া, ইরাক, য়েমেন অমসুং লিবিয়া য়াওনা আরব ষ্টেটশিংনি। লৈবাকশিং অসিগী মথংদা লেটিন অমেরিকানা মথংগী খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লৈবাক ওইরি।

হৌখিবা চহী ২০০৬ তগী ২০১৫ ফাওবগী অকোনবা চহী অনীগী মনুংদা শিখিবা চাদা ৫৯ দি কনফ্লিক্ট জোনশিংদা ওইখি। মতমসিগী মনুংদা শিখিবা জর্নেলিষ্ট ২১৩ গী মনুংদা ৭৮ (চাদা ৩৬.৫) দি আরব ষ্টেটশিংদা ওইখি। খ্বাইদগী মীপাইনিংঙাই ওইরিবদি নোংচুপ য়ুরোপ অমসুং নোর্থ অমেরিকাদা জর্নেলিষ্টশিং শিখিবগী চাং হেনগৎলকখিবসিনি। কুমজা ২০১৪ দা জর্নেলিষ্ট শিবগী পাউ অমত্তা লৈরমদবদগী হৌখিবা চহীদা জর্নেলিষ্ট ১১ লমদমশিং অসিদা শিখি। ফোরন জর্নেলিষ্টশিংদগী লোকেল জর্নেলিষ্টশিংনা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইখি। ভিক্টিম চাদা ৯০ দি লোকেল জর্নেলিষ্টশিং ওইখি। তৌইগুম্বসুং কুমজা ২০১৪ দা ফোরন জর্নেলিষ্টশিং শিবগী চাং হেনগৎখি। মমাঙগী চহীশিংদা চহীদা এভরেজ ওইনা জর্নেলিষ্ট মরি শিখিবগী রেকোর্দ লৈরম্বদগী কুমজা ২০১৪ দা জর্নেলিষ্ট ১৭ শিখি।

হৌখিবা চহীদা ওনলাইন জর্নেলিষ্টশিং হাৎপগী চাং য়াম্না চাউনা হেনগৎখি। কুমজা ২০১৪ দা ওনলাইন জর্নেলিষ্ট ২/২ হাৎখিবগা চাংদম্নবদা হৌখিবা চহীদা ২১ হাৎখি। শিখিবা জর্নেলিষ্টশিংদুগী তঙ্খায় অমরোমদি সিরিয়ন ব্লোগরশিং ওইরম্মী।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, কুমজা ২০১৪-১৫ দা নুপীশিংদগী নুপাশিংনা শরুক ১০ হেন্না শিখি। নুপী ১৮ শিবদা নুপানা ১৯৫ শিখি। লোয়ননা টেলিভিজন জর্নেলিষ্টশিংনা প্রিন্ট মিদিয়াগী জর্নেলিষ্টশিংদগী হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইখি। শিবদা নত্তনা অতৈ অতৈ নাতৈ চাদবা ফীভম কয়া জর্নেলিষ্টশিংনা মায়োক্লখি হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।


## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ পাইল কেসকী কবিরাজ নসির খানবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা মরম ওইদুনা শৌজ-নান্থবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ মকুপ শৌরগা নাই চাবা, মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাঙথোংগী মপান্দা মখুল হুৎলকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঈ তাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Nasir Khan @ Ibomcha Kabiraj** ☎ **9615033039, 7085385283** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজান্দগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা **নসির খান**-বু মপোকসিমগী কাউজরোই হায়না পাউ-চেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* Haffiz Hatta JNIMS Road.

*থাগৎচরিবা :* L. Ibopishak Tera Pishak

HL-B/3412/21/10-20/11


# মোসুলগী লাল : আই এসকী লিদর বাঘদাদিনা ফাইটরশিংদা খোঙফম হন্দোক্তনবা আপিল তৌখ্রে

বাঘদাদ, নভেম্বর ০৩ :
ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা মসিগী লুচিংবা অবু বাকর অল-বাঘদাদিদগীনি হায়বা ওদিও টেপ অমা রিলিজ তৌখ্রে। করিগুম্বা ওদিও টেপ অসিনা অচুম্বা ওইবা তারবদি মসি চহী অমরোমগী মনুংদা মহাক্না থাদোরকপা অহানবা মেসেজ ওইগনি অমসুং মসিনা মহাক শিরে হায়বা তোকঙা অদু কোকহল্লগনি।

ওদিও টেপতা য়াওরিবা খোঞ্জেল অদুনা ইরাকিশিংদা মিলিটেন্টশিংগী মখুৎতগী মোসুলবু নৌনা লৌশিন্নবা হোৎনরিবা ইরাকি আর্মিগী মায়োক্তা সিটি অদুবু দিফেন্দ তৌনবা আপিল তৌখি।

বাঘদাদি হৌজিক কদায়দা লৈরিবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। ওফিসল খরনা মহাক আই এসকী ফাইটরশিংগা লোয়ননা মোসুল মনুংদা লৈরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লখি।

ওদিওদা য়াওরিবা খোঞ্জেল অদু বাঘদাদিগীনি হায়বসি হৌজিক ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা ভেরিফাইদ তৌদ্রি। চহী কয়ামুক অসিদা মহাক শিরে হায়বগী তোকঙা হঞ্জিন-হঞ্জিন শন্দাকখি। হৌখিবা চহীদসু ইরাকি মিলিটরিনা মহাক্কী কনভোইদা হিট তৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি।



ইরাকতা আই এসকী অরোইবা অবার্ন ষ্ট্রোংহোল্ড ওইরিবা মোসুলদা বাঙদাদিনা চহী ২ গী মমাঙদা কালিফেট অমা লাউথোকখি।

অবু বাকর অল-বাঘদাদি অসি ইব্রাহিম অৱাদ ইব্রাহিম অল-বাদরি হায়বা মিঙ্গৌগা লোয়ননা কুমজা ১৯৭১ দা ইরাককী সামারাদা লৈবা লৱার মিদ্দল ক্লাস সুনি মুস্লিম ইমুং অমদা পোকখি।

মহাক কোরান থিরগা নুংঙাইজবা মীশক অমা ওইরম্মী অমসুং কোরানগী চৎনপথাপশিং চপ চানা ইন্দবগীদমক্তা মহাক্কী মরী-মতাশিংবু চৈ-থাংখিবগীদমক্তা মহাকপু ‘অশেংবা থাজবা মীশক (বিলিভর)’ হায়নসু কৌনখি।

য়ুনিভর্সিটিদা লাইনিং লাইশোলগী ইন্টরেষ্টশিং কুপ্না ষ্টদি তৌরবা মতুংদা বাঘদাদিনা মুস্লিম ব্রদরহুদকী অলত্রা কঞ্জার্ভেটিভশিংগা নকশিন্ননবা হোৎনখি।

কুমজা ২০০০ দা মহাক সলাফিষ্ট জিহাদিজম নিংথিনা চৎখি অমসুং কুমজা ২০০৩ দা য়ু এসনা লুচিংদুনা ইরাকতা লান্দাখিবা মতুংদা মহাক্না লালহৌবা গ্রুপ জাইশ অল-সুন্নাৱা অল-জামাহ লিংখৎখি।

জেলদা চহী অমা লৈরবা মতুংদা বাঘদাদিনা দামাস্কসতা চত্তুনা অল-কাইদা ইন ইরাক (এক্যুআই) গী প্রোপেগন্দা কন্ট্রোল তৌখি। গ্রুপ অদু মুখৎলগা ইস্লামিক ষ্টেট ইন ইরাক (আই এস আই) শেমখি। আই এস আই এস অসি আই এসকী মমাঙদা লৈরম্বা মিংনি।




HL-B/3401/20/10-19/11


## ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### Nuclear Power Corporation of India Limited – NPCIL Recruitment 2017 – 56 Assistant & Steno Vacancies – Last Date 31 December 2016

**NPCIL Recruitment 2017 – 2016**

Nuclear Power Corporation of India Limited (NPCIL) invites application for the post of 56 Assistant & Steno at Kudankulam Nuclear Power Project. Apply before 31 December 2016.

Advt No. : KKNPP/HRM/2016/3

**Job Details :**

Post Name : Assistant Grade-1
No. of Vacancy : 40 Posts
Pay Scale : Rs.25500/- (Per Month)

Post Name : Steno Grade -1
No. of Vacancy : 16 Posts
Pay Scale : Rs.25500/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for NPCIL Recruitment :**

Educational Qualification :
For Assistant : A Bachelor's Degree in Science or Commerce or Arts with minimum 50% marks in aggregate with 40 words per minute typing speed in English on Personal Computer and Should have passed a Certificate Course of duration of not less than 6 months on MS- Windows Operating System and Desktop Applications.
For Steno : A Bachelor's degree in any subject with not less than 50% marks in aggregate and A speed of 80 wpm in English Stenography and A speed of 40 words per minute in English Typing on PC.

Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 28 years As on 31.12.2016

**Age Relaxation :**

For OBC Candidates : 03 Years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PH Candidates : 10 years

**Job Location : Kudankulam (Tamil Nadu)**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test, Typing Test, Computer Proficiency Test and Stenography Test.

**How to Apply NPCIL Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of certificates in support of educational qualifications (SSC onwards for all the semesters/years with mark sheet), date of birth certificate, Experience certificate and SC/ ST/ OBC send to Manager (HRM), Recruitment Section, Kudankulam PO, Radhapuram Taluk, Tirunelveli Dist, Tamil Nadu – 627 106 on or before 31.12.2016.

**Important Dates to Remember :**

Last Date for Submission of Application : 31.12.2016

***Important Links :***
*Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.npcil.nic.in/main/JobsRecent.aspx*

### Central Railway Recruitment 2017 – 2326 Apprentices Vacancy – Last Date 30 November 2016

**Central Railway Recruitment 2017 – 2016**

Central Railway invites Application for the post of 2326 Apprentices. Apply Online before 30 November 2016.

Advt. No. : RRC/CR/AA1/2016

**Job Details :**

Post Name : Apprentices
No of Vacancy : 2326 Posts

**Eligibility Criteria For Central Railway Recruitment :**

Educational Qualification : Must have passed 10th class examination or its equivalent (under 10+2 examination system) with minimum 50% marks, in aggregate, from recognized Board and also possess National Trade Certificate in the notified trade issued by the National Council for Vocational Training.

Nationality : Indian
Age Limit : 15 to 24 years (as on 01.11.2016)

**Age Relaxation :**

For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : Mumbai (Maharashtra)**

**Selection Process :** Selection will be made on Merit List.

**Application Fee :** Candidate belonging to General/OBC have to pay Rs. 100/- through Online. Candidates belonging to SC/ST/PH/Ex-Servicemen/Women are exempted from the payment of fee.

**How to Apply Central Railway Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through website http://www.rrccr.com/ from 01.11.2016 to 30.11.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission of Online Application : 01.11.2016
Last Date For Submission of Online Application : 30.11.2016

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : https://www.rrccr.com/UploadFiles/641.pdf*
***Apply Online :*** *https://www.rrccr.com/Modules/Home/Home.aspx*